# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-05-2025)**

**এটেক ঃ** ভারত অমদি পাকিস্তান অনিগী মরক্তা উংখৎনবগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং নুমিদাংসু লৈবাক অসিগী জম্মু কাশ্মিরগী বারামুলাদগী হৌরগা গুজরাটকী ভুজ ফাওবা লৈরিবা ইন্দো-পার্ক বোর্ডরদা তোঙান তোঙানবা দ্রোন ২৬ লোম লৈবাক অসি তমা পাইশিল্লকখ্রে হায়না ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী পাউ অমনা হায়রি।

লাইন ওফ কন্ট্রোলগী ৱাংমদগী পাইশিল্লকখিবা দ্রোনশিং অদুদা বোম য়াওরমগনি হায়না চিংনবা লৈবদগী ভারত লান্মীনা বোমশিং অদু মীচম মীয়াম অমদি লান্মীগী মফমশিংদা তাদুনা পোকখায়রক্কদবদগী ঙাকথোকবা অকনবা থবক লৌখৎখি। দ্রোন বোমশিং অদু বরামুলা, শ্রীনগর, অৱানতিকোরা, নগ্রোতা, লালঘর, জম্মু, ফিরোজপুর, পথানকোট, ফাজিলকা, জাতা, জৈসামার, বারমর, ভুজ, কুরবেদ অমসুং লাখিনালাগী মফমশিংদা পাইশিল্লকপা থেংনখিবনি। হায়রিবা দ্রোনশিং অদুগী মনুংদা ফিরোজপুরগী এরিয়াদা বোম অমা থাদরকপদগী ইমুং অমগী মীওই কয়া তমথিনা অশোক অপন নংখি। শোক্লবা মীওইশিং অদু ভারত লান্মীগী মায়কৈদগী খুদক্তা অনা লায়েংগীদমক হোস্পিতালদা পুখৎখিবগা লোয়ননা মফম অদুদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

নাকল অমরোমদা, লৈবাক অসিগী অৱাং অমদি নোংচুপ থংবা ঙমখৈগী পরিংদা লৈবা ইয়ারপোর্ট ৩২ দা মখা তানা কর্ম্মরসিএল ফ্লাইটশিং পায়বদা অথিংবা লৈরি। পাকিস্তানগী মায়কৈদগী

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা, ঙরাং ন্যু দিল্লিদা সার্ভিস অহুমগী মকোক্কা উন্নদুনা হৌজিক ওইরিবা ভারত পাকিস্তানগী ফিভমগী মতাংদা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহ অমসুং নেসনেল সেক্যুরিতি

এদভাইজর-অজিৎ দোবালসু শরুক য়াখি।

**মিদিয়া ঃ** সরকারনা মিদিয়া চেন্নেলশিং, দিজিতেল প্লেটফোর্ম অমসুং লনাই মীওইশিংনা ঙাকশেলগী ওপরেসনশিং অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্সকী থবক থৌরমশিং লাইভ কভরেজ তৌদনবা এদভাইজরি থোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা পোষ্ট অমদা ঙাকশেল মন্ত্রালয়না ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী হান্নলা থোকখিবা সারকুলর অমা পল্লদুনা হায়- সেক্যুরিতিগী ওপরেসন অমসুং অতৈ থবক থৌরমশিং লাইভ ওইনা উৎপা অসিনা সেক্যুরিতিগী থবক্তা অপনবা থোকহনবতা নত্তনা মখোয়গী পুন্সি ফাওবা মাংবা য়াই। মন্ত্রালয়না কার্গিল ৱার, ত্বেন্তি সিক্স-এলেভেন মুম্বাই টেরর এটেক অমসুং কন্দাহার হাইজেক্কিংগী থৌদোকশিংদা মাংজোননা পাউ খঙহল্লুবদগী খুদোংচাদবা মায়োকখিবশিং পনখি।

এদভাইজরি অদুনা ষ্টেক হোল্ডর পুমমক্তা কভরেজ পীবা মতমদা মীকুপ নাহুম শিংনা অমসুং দাইত্ব খঙনা পাউ পীনবা হায়রি।

**পুলিস (এল)** ঃ মনিপুরদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুম্বগী থবক চথ্থবদা মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীওই অহুম অমদি খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎলে।

পুলিসকী পাউনা হায়-মনিপুর পুলিসনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক হৈস্নাম লৈকাইদা থিবা হুম্বগী থবক চথ্থবদা য়ু.এন.এল.এফ. (পি) গী মীওই অনি ফারে। মখোয় তোঙান তোঙানবা স্কুলশিং, সরকারগী কর্ম্মচারিশিং অমদি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খোমগৎপদা চেন্নবা মীশকনি হায়রি। মখোয়দগী মখোঙ মরি পানবা গাড়ি অমা, মোবাইল হেন্দ সেট মঙা অমদি শেল খরা ফংখি।

জিলা অসিমক্কী সেকমাই পুলিস ষ্টেসননা কোনবা সেকমাই অৱাং

লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমসু ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফমশিংদা থিবা হুন্থবগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎখি। ফারবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা-মেগজিন য়াওবা এ.কে. ফিফতি সিক্স রাইফল অমা, মেগজিন অনিগা লোয়ননা ইনসাস রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা করবাইন অমা, আই.ই.দি. তরুক, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, ফাইব পোইন্ট ফাইব সিক্সকী নোংমৈ ১৭১, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী মরু ৩০ য়াওরি।

মরক অসিদা, নেসনেল হায়ৱে টু ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৪১৮ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা থোরকখ্রে। নেসনেল হায়ৱেশিংদা চৎথোক চৎশিন তৌবদা অপনবা পীদনবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চেক পোইন্ট ১১০ হাংদোক্নুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌরি। মদুদা মীওই তরুক পুলিসনা ৱাহং পাউহং তৌখি।

**থৌবাল (এল)** ঃ মহৌশানা থোকহনবা খুদোংথিবশিং মায়োকনবা করি করি চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা স্কুল ওজাশিংদা ত্রেন্নিং পীবগী থৌরম অমা ঙরাং থৌবাল দি.সি. কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্টিং হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসার, সমগ্রহ শিক্ষা, থৌবাল অমসুং জেট.ই.ও. থৌবালনা শিনদুনা পাঙথোকপা নোংমগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল প্রোগ্রাম ফোর টিচরস অন্দর স্কুল সেফতি প্রোগ্রাম অদুদা ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-ইম্ফাল ৱেষ্টকী সেক্রেটরি-ডা: বংকিমচন্দ্র থোকচোমনা বেসিক ফার্ষ্ট এদস এন্দ সেফতি মিজরস হায়বা হীরমদা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসিদা তোঙান তোঙানবা লম অসিদা খঙ হৈরবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

**নোনে (এল) ঃ** নোনে জিলাগী চারোই-চাগোতলোং হায়স্কুল-তুপুলদা ঙরাং চহি শুদ্রিবা অঙাংশিংনা নৌনা য়ুন্থানবগী লম্বীদা চংশিনবদা তুংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকহল্লে হায়বসিদা পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

বাল বিভা, মুক্তা ভারতকী মখাদা থৌরম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-নোনেনা পুন্না শিনবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরম্বা টেরোরিষ্ট তরেৎ বি.এস.এফনা হাৎখ্রে, সেক্যুরিতি রিভন্যু মিতিং পাঙথোকখ্রে, ইমর্জেন্সি পৱার এক্টিভেট তৌনবা খঙহনখ্রে হায়বা পাউ অসিনা সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা-দিফেন্স মিনিস্তর রাজনাথনা চীফ ওফ দিফেন্স ষ্টাফ উন্নদুনা ৱা খন্নখ্রে, সিভিল দিফেন্সকী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোম মিনিষ্ট্রিনা ষ্টেট খুদিংমক্তা খঙহনখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা-ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্তানগী লান তপা তপা কনখৎলক্লে। পাকিস্তাননা য়াম্লবা দ্রোন শিজিন্নদুনা ইন্দিয়াগী মফম ৩৬ তা টর্গেট তৌরকখ্রে। ইন্দিয়ানা পাকিস্তানগী মফম মরিদা দ্রোন এটেক তৌখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কংগ্রেসনা ইম্ফালদা মচু অহুমগী ফিরাল পায়রগা জৈ হিন্দ যাত্রা চৎখ্রে। টেরোরিষ্টশিংনা চথুরকপা থৌওংশিং কংগ্রেস পার্টিনা কৈদৌনুংদা খাঙদুনা লৈরোই-ওক্রম ইবোবী হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংদনা-ইনহ্যুমেন ওইবা টেরোরিজমগী মখল খুদিংমক্কী থৌওংগী মায়োক্তা মতম পুমমক্তা কংগ্রেস পার্টিনা লেপকনি-ইবোবী হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা-লমফেলপাৎ প্রোজেক্ট চহি অসিগী নবেম্বর ফাওবগী মনুংদা লোয়শিল্লবা য়াই হায়না পাউ অমা মরুওইনা পাউ ওইনা অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভাল্লানা মহুদ দিপার্টমেন্টকী ওফিসিএলশিংগা ইম্ফাল সহর তরু-তান্ননা থমনবগী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা পাউ অমা সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিন হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-কংগ্রেস পার্টিনা আর্ম ফোর্সেসশিংবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা ইম্ফালদা তিরঙ্গা যাত্রা চৎখ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিয়ু মেলদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।